# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৭৮

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা হেন্দোক থোইদোকপা অপিকপা ষ্টেট অমদি ফজনা ওইরে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা অপিকপা ষ্টেট ওইজরবসু হীরম খুদিংমক্তা তোপ তোপ্পা মশক থোকপা হেন্দাকপা মশক অমদি ইন্দিয়াগী মনুংদা মীয়াম্না খঙনরক্লে। পিকখ্রবা ষ্টেটসিদা লালহৌবগী ঈরাং, মতম মতমগী লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থবক কয়া তোপ তোপ্পা মশক নাইরবা কয়া মশীং খঙদনা লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা মতমগী লৈঙাক অসিগী শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী তৌবা ঙম্বা শক্তিসু ময়েক শেংলকই। মসি মণিপুর মীয়াম্না খঙনদবদি নত্তে।

ঙসি ফাওবদা মশক থোকপা চৈরাক পীবা ঙমদবসিমক পূম্নমক্কী লাইবক থীবা অমদি নোংমা শোয়দনা ওইরক্কনি। মণিপুর মীয়াম খঙনা খঙনা করিসু থবক ওইনা পায়খৎতবসিমক পূম্নমক্কী দশা নোংমদি মায়োক্নরক্কনি। মতম অমদা মশক নাইবশিংনা মীয়ামগী লন-থুম মাঙহনবা মশীং খঙদনা লৈখ্রে। লোক্তাক্কী ৱাথোক, মমিং পনবা য়য়াই। তেঙ্গীস্না স্কুলদগী ফংখিবা মীকোক্কী থৌদোক ঙসি ফাওবা চেক মোক লাউদনা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুমখ্রে। মতম অমগী লালহৌবগী ঈরাংগী খুদোংচাবা লৌরগা মরাল লৈতবা কয়াবু হাৎখিবা ঙসি ফাওবা অশিবশিংতনা মাঙজবগী থৌদোক মশীং খঙদনা তান্নখ্রে। নুংথিল পোবোবতা ইম্ফাল ময়োন্দা হাৎখিবা মীহাৎ ঙসি ফাওবা শাংলবা চহী কয়া নমশিন্দুনা থম্বসি খঙনা খঙনা করিসু তৌদবসি পুৱারীগী লমায়দগী মুখৎপা খক য়াররোই। মসিসু মতম অমগী কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরিঙৈগী ৱাথোক ঙাক্তনি। অদুবু মসি ঙম্নমক চহী খরসিদা অওনবা অহোংবা অমদি মীয়ামগী মাংদা চাউনা খঙনা লাকখ্রে। মতম অমগী কোংগ্রেস লৈঙাক মরূ ফংনা থাজদনা মুখৎখ্রে। মণিপুরদা অনৌবা অওনবা পোলিটিক্সকী য়াওন অমা থাজ-থাজদনা ওইরকখ্রে। মসিসু পোলিটিক্সকী পুৱারীদা অনৌবা অহোংবা, অওনবা অমনি হায়দবদি য়াররোই।

মপূং ওইনা ঙসি ফাওবা কোংগ্রেস লৈঙাক নমদুনা মাঙহনখ্রবসু মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা অওনবা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা করি পুরকপা ঙম্লবগে? কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা চত্থরম্বা থবক থৌরম হন্দক্কী অওনবা লৈঙাক অসিনা করি মশক নাইবা থবক পাঙথোক্লবগে? মীয়াম্না খঞ্জরম্বা শেঞ্জা-থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গগী মশক করি অহোংবা পুরক্লবগে? মরাল লৈবশিং করি দন্দি পীবিখ্রবগে? দন্দিগী মহুত্তা হেন্না হেন্না মশক থোকপা থাজ-থাজদ্রবা থৌদোক কয়া হেনগৎলকই। মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী থাক ফজনা ৱাংখৎলকই। দ্রগকী করবার মশক নাইনা পায়খৎলকই। অচৌ অচৌবা করবারৱালাশিং থোক্লকই। শেঞ্জাও পায়বগী পোলিসি ফগৎনরকই। করবার মচা-মশু তৌবশিং মরূ ফংনা মুখৎনবা পায়খৎলকই।

অচৌ অচৌবা করবারৱালা থিংবগী মহুত্তা য়োকখৎপা উরকই। মীয়াম খুদিংমক্না নোংমগী লেপ্তুনা 'ৱার ওন দ্রগস ফাগি তাহনগনু' হায়বা খোল্লাউ লাউরকই। লৈঙাক পায়রিবশিংনা করি তৌরি, মীয়ামগী খোল্লাউ অরেম্বা ওইনা তাহল্লি। লৈঙাক্না থবক পায়খৎপা উদে। মণিপুরগী মনুং আইনবু আইন ওইনা চৎহনবা ময়েক শেংলকই। মীয়ামগী অপাম্বা, অচুম্বা লৈঙাক অসিনা থবক ওইনা পায়খৎতবগী শক্তম ময়েক শেংনা থবক ওইনা উরকই। ঐখোয়গী মণিপুরদা অচুম্বা হায়বসি তপ্পা তপ্পা মাঙহন্নবা মখল মখাগী পোলিসি মশীং খঙদনা লৈখ্রে। মসিমক লৈঙাক পুরিবশিংনা কলহৌদ্রবদি নোংমদি মাঙথরক্কনি হায়বসি মীয়াম পূম্নমক্কী থম্মোয়দা নুংনাংবা পোক্লরে। মতম অমদা মনীং তম্না তৌনীং-তৌনীংবা পায়খৎলম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক নমদুনা মুখৎপীখিবসি পারা অমদি পূম্নমক্না খঙনরবনি। হন্দক্কী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিসু পাড়া খরদি খঙবীফম থোকই। অদুবু নোংম-নোংমা হৌজিনখিবনা মসিগীদমক খোঙফম শেনবা হৌরক্লে। লৈবাক মাঙননবা তৌরম্বশিং মরাল ময়াম কোকহনবা ঙম্বা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিদা চোংশিন্নরকপা অঙকপা নত্তে। পুৱারীগী পোরম তুং ইল্লকপনি, মতমসিগী লৈঙাক পুরিবশিংনা তুংগী মীরোলশিংগী খনবীদুনা অচুম্বা অশেংবা অওনবা লৈঙাক অমগীদমক থম্মোয় শেংবা থবক পায়খৎহন্নীংবা মীয়ামগীদমক অচুম্বা খরদি মশক খঙনা পাঙথোকপা মতম ওইরব্রা খল্লি। ঙসি ফাওবা চত্থরল্লিবা শেঞ্জা থুমজাগী, শঙ্গ-পঙ্গগী ফমজাও পায়বশিংগী ৱাখলদা পূক্লিং চিংশিনবা ওইনা মীয়াম্না লৌনরকপশিং অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। লমদমসিদা অচুম্বা, অশেংবা খরদি মশক থোক্না মীৎনা উবা খুদম চাংদম থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু।

মতাংসিদা হেন্না কূপ্না পঞ্জনীংলিবদি ঐগী-মীগী পার্টিগীদমক খনবীরগা মণিপুরগী মমাঙদা লৈজরকপা ধন্মগী চৎনবী অচুম্বা অশেংবা, অওনবা খরদি থন্মীন্নরসি। মরাল লৈবশিং মতিক চাবা থবক ফজনা পায়খৎপীরক্কনি হায়বা মণিপুরগী মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বদা মীৎয়েং হেন্না চিংশিনহন্নীংই। পোলিটিক্স হায়বসি অহোংবা নাইবা মশকনি। অহোংবা নাইবসি খঙহৌদনা তাক্লমদনা ওল্লকপা য়াই। মসি পূম্নমক মৈতৈগী মৈহৌরোলদগী লৈজরকপা অচুম্বা, অশেংবদি ঙসিসু লেঙদনা লৈরি। লৈঙাক্তি হোংবা য়াই, পার্টিদি মাঙখিবা য়াই, মীওইবা খুন্নাইদি মাঙহনবা ঙম্বা ঙসিমক্কী ওইনদি ওইথোক্লোই।

মপূং ওইনা থমজনীংবদি লৈঙাক পুবীরিবশিংনা শক-মায় য়েংনদুনা অরানবা কয়াবু খঙশিন্নদবা, হুরানবা, ফত্তবা তৌবশিংবু অমনা অমুক কনখৎনবা থাদোক্লদুনা অচুম্বা অশেংবা খরদং পায়খৎপীরকউ। মতমসিগী শেঞ্জাও পায়বগী লৌনম লাংদগী ইরমদম মণিপুরগী তুংগী মীরোল খুদিংমক্কী লম্বী ফজনা য়াৎপীরম্মু। মরাল লৈবশিংবু কনখৎপীগনু, চাক চগ্রিং অমনা পূম্নমক মাঙথোকপা, মীয়াম্না ফজনা খঙনরবনি। খঙনা খঙনা, উনা উনা নাথৈবদি ঈশ্বরনসু ঙাকপীররোই, মীয়াম্নসু কন্নবীররোই। ইকায় খঙদবগী মতম লোইশিল্লসি, লমদমসিদা অচুম্বসি মাঙহন্নবা হোৎনরল্লিবশিং মরূ ফংনা মুখৎলসি মণিপুর মীয়াম ৱানরে। মণিপুরী খুদিংমক খঙনা-খঙনা, ঙন্না-ঙন্না ইরাক্ল গদৌরে। লৈঙাক্না থম্মোয় শেংনা হোৎনরবদা ঙমলোইদবা লৈতে। নোংমা নোংমা হৌজিনখিদুনা চহী মঙা হৌখিবা খঙহৌরোই। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ঙাঙবনা মপূং ওইবা, থবক্না মহাম তাবসি থাদোক্নরসি, পূম্নমক খূবাক খুনমনি। ঙসি মীয়ামগী মীহূৎ ওইরিবশিং মথংগী ইলেক্সন্দা হল্লকপা-হল্লক্তবা তম্বা ঙমলোই। মীনা খনবনা অমা, লাইনা শিনবনা অমনি। অচুম্বা, অশেংবদি লেঙদনা লৈরি। অচুম্বগীদমক অশেংবগীদমক থম্মোয় শেংনা চত্থবীয়ু, থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। মীয়াম্না হংনরকখি, অচুম্বসিবু লৈরিব্রা? অচুম্বসি মাঙখ্রবরা? মীয়ামগী ৱাহং অরাইবা নত্তে। মীয়ামগী খোল্লাউ তাইবঙ শেম্বা মপুগী মপাওনি, মীয়াম্বু ইকায়খুম্নদ্রবদি মপুনসু ঙাকপীরোই, অচুম্বসি কন্নমীন্নরসি, অচুম্বগীদমক অশেংবগীদমক মীয়াম্না লেপ্পসি।

ঐখোয়গী লমদমসিদা ঙসি ফাওবা চত্থরল্লিবা পোলিটিক্সকী ঈহৌ শিংথানীংঙাই ওইনা মীপায়বা পোক্লরে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক কখোকপগী মহুত্তা ইশা ইশা নুংঙাইনহৌনবা মখল মখাগী থবক পায়খৎনরকপা, অতোং-অতোংবদা লেপ্লবা হোৎনরকপগা মীগী মশীংনা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎপা ময়েক শেংলকই। কখোকপগী মহুত্তা লৌশিনবনা মশীং ৱাংখৎলকই। ইন্দিয়া পূম্বগী লৈঙাক্কী মওং মতৌ নোংমা নোংমগী পেন্নদবগী মশীং ৱাংখৎলকই। ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংসু চিনগা খূৎকা মান্নদবসি ৱাংখৎলকই। পোলিটিক্স ফাগি মাল্লকই। ওইজবা তানবদা ইকায়বা খঙনরক্তবা মশীং হেনগৎলকই। ওইজবা থিবদা ইলেক্ট্রিক তারা পায়বা কিনরক্তে। আইনসু, অচুম্বগী মহুত্তা শেঞ্জা থুমজাতনা কুপশিল্লে। অনৌবা, অওনবা শক্তম অমগীদমক নহারোল পুনশিল্লসি, ইন্দিয়া মাঙবদা মণিপুর য়াওদবা য়াররোই। জয় অপূনবগী জয় ঐখোয় পুল্লসি।

**ষ্টেটকী পাউ**

## এম য়ু সিগী য়াইফনবগীদমক লৌরকপা খোঙথাংদা শৌগৎমীন্নসি : আই এস এস এ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী) গী ভাইস চাঞ্চেল্লর (ভি সী) ওইনা হাপ্পীরল্লবা প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা লমদম অসিগী লোল, নাট, ময়েক চাওখৎনবা হোৎনবদা চহী কয়া মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী কৎথোক্তুনা লাক্লবা ওজানি। ওজা অসিনা মহৈরোয় অমখক্কী নৎত্রগা মহৈরোয় খরখক্কী থবক তৌরক্কনি হায়বা খঞ্জদে। মরম অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী য়াইফনবগীদমক লৌরকপা খোঙথাংদা মহৈরোয়শিং অমদি লৈবাক মীয়াম্না শৌগৎমিন্নসি। লোয়নননা লমদম অসিগী নাটপু চাওখৎনবা হোৎনবগীদমক খোঙফম অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবগী মতম অদু য়ৌরে হায়না ইন্টরনেসনল সনামহিজম ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (আই এস এস এ) গী প্রসিদেন্ট বোনিস খাইদেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আই এস এস এগী থৌমীশিংনা য়ানদ্রিবা নাকল অনীগী মহৈরোয়শিং উনজরে। নাকল অনীমক্কী ৱাফমশিং ঐখোয়গী থৌমীশিং অমদি অখঙ অহৈ কয়াগা খন্নজরে। নাকল অনীমক ইচুম চুম্বা ওই। তৌবতবু কাঙলোন কায়বা য়াদবা লিক্লম অদুগী খুদুংদি ঐখোয় খ্বাইনা ইনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না খঞ্জে। মরম অসিনা য়েৎনরিবা নাকল অনীগী মহৈরোয়শিংনা খনখ্রবদি হল্লরোই, নীংখ্রবদি তৌরগনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু থাদোকপীরগা অনৌবা ভাইস চাঞ্চেল্লরনা লৌরকপা ফিরেপ অদুদা ঐখোয় পূন্না চৎমিন্নদুনা মালেমদা মতিং লৈরবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহল্লসি।

মালেমগী লেপ্তুনা চেন্থরল্লিবা কলচরগী খোঙজেল অসিদা কংলৈপাক মণিপুর অসিগীসু মশাগী লৈজরিবা কলচরগী খোঙজেল অসি মওং অমা নৎত্রগা মওং অমদা ঙসি ফাওবা য়াওদুনা লাক্লি। মণিপুর কংলৈপাক লমদম অসিগী কাচিন কোয়া, লৈকায় খুঙ্গংদগী ৱানা য়োকখৎচরকপা কংলৈপাক্কী কলচর অসিদি মালেমগী ময়োন ফাওবা য়ৌরক্তুনা মালেমগী মীয়াম্না তপ্না তপ্না খঙনরক্লে।

লৈঙাক্না নৎত্রগা নাটপু নুংশিজবা মীওই কয়ানা মশা মশাগী ঙমজবী থাক্তা নাটকী শিন্দমশঙ কয়া শেমগৎ শাগৎচদুনা জগোয় ঈশৈ তৌবখকনত্তনা অনৌবা মহৈ মশীনগী লমদা নাটকী মফম অমা কন্নবা হোৎনরি। চুম্নগী জগোয় ঈশৈ, পুঙ ঈশৈ, অমাইবা অমাইবী, পেনা অসিনচিংবা মপান থোংগী মীৎনা উবা ফংলিবা কলচরগী মশক্না মনুং থিৎনা মালেমদা কংলৈপাক মণিপুরী মশক নিংথিনা তাকপা ঙম্লক্তবদগী লমদম অসিগী কলচর অসিবু অৱাংবা থাক্তা থম্লগা নৈনবগীদমক লমদম অসিগীসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমা ঙসিদি মীৎমাংদা উবা ফংজরে। অদুবু লাইবক থীরিবদি হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা এম এ মীং চনবগী মতাংদা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অমগা অমগা খাইবুং খাইবুং মরম অমা নৎত্রগা মরম অমদগী য়েৎনদুনা লৈরিবা অসিনি। মসিমক্তি অফবা খোঙথাং নৎত্রগা থৌওংনি হায়না লূপ অসিনা লৌজবা ঙমদে।

মরমদি মসিনা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লৈরগদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙজবখক নত্তনা লমদম অসিগী ফজখ্রবা নাটকী মশক অসি মালেমগী লৈমায়দগী মমি শামখিবা য়াই। লূপ অসিনা খঞ্জরম্বদি য়ুনিভর্সিটি অসি লাক্লবনিনা য়ুনেস্কোনা ঐখোয়গী শগোল কাংজৈ, উমং লাই হরাওবনচিংবা কয়া অমা শুংশোই শোয়দনা য়াম্না অথুবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী খূথাংদা শকখঙবীরক্কনি হায়না থাজরম্বনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মীয়ামদা চিংনবা ফাওহল্লে : কে এস এ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): য়াইরিপোক্তা লৈবা চীং তম ফাউন্দেসন ফোর ইনোভেটিভ এদ্যুকেসননা অশাবা লমগী পাট্টা শীজিন্নদুনা স্কুল রিকগনিসন লৌরম্বদগী লৈবাক ৱাথোক ওইদুনা অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা কয়ারক হন্না হায়জদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা চপ চাবা থবক অমত্তা পায়খৎতনা ইস্যু অসিবু নমশিন্দুনা থম্ববু কে এস এনা অঙকপা ফাওই। অসুক চাওবা ক্রাইম অমা তৌরবসু ঙসি ফাওবা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা লৈরিবা অসিগী মরুমদা করি লৈবগে হয়বদু মীয়ামদা চিংনবা ফাওহল্লে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) গী সেক্রেটরি জেনরেল এস হেমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইস্যু অসিগা মরী লৈননা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী রুল এন্দ রেগুলেসনগী মতুংইন্না স্কুল অসিগী মথক্তা চপ চাবা থবক পায়খৎপা য়ারবসু কাউন্সিলগী ওফিসলশিংনা লৈথোক লৈশিন তৌদুনা লৈরিবা অসিনা স্কুল অসিগা কাউন্সিলগী ওফিসলশিংগা চাওনা লৌতুনরব্রা হায়বগী চিংনবসু ফাওহল্লে। মরম অদুনা ইস্যু অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক পায়খৎননবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'নুপী অঙাংগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা খন্নবীয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লি সেসন অসিদা নুপী অঙাংগী মথক্তা চত্থবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা খন্নবীদুনা ৱার্কিং গ্রুপ অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌবীয়ু হায়না ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ) কী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর টুইথুং অমশিংফিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, তোঙান তোঙানবা ন্যুজ রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না কুমজা ২০২১গী হেক হৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা রেপ ৩, সুইসাইদ ১, চিংননীংঙাই ওইবা মীশি ৩ অমদি মদর অমা য়াওনা পূন্না নুপী অঙাংগী মথক্তা চত্থবা কেস ১৪ থেংনখ্রে। কুমজা ২০২০দা নুপী অঙাংগী মথক্তা চত্থবা কেস ১৯০ থেংনখি। মসিগী মনুংদা নুপী শিখিবগী কেস ৪৭নি। নুপী অঙাংগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইমশিংবু লাকশিন্ননবা তোঙান তোঙানবা সী এস ও অমদি গভর্ণমেন্টকী ইন্সটিট্যুসনশিংনা লেপ্তুনা হোৎনরি। অদুবু মপূং ফানা মায় পাকপদি ঙমদ্রি।

মরম অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হৌজিক চত্থরিবা মীফমনা কূপ্না খন্ন নৈনদুনা মতিক চাবা মেকানিজম অমা নৎত্রগা সী এস ওশিং, ৱিমেন এন্দ চাইল্ড এক্সপার্টশিং, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিং, লিগেল এক্সপার্টশিং য়াওবা ৱার্কিং গ্রুপ অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌবীয়ু। লোয়ননা নুপী অঙাংগী মথক্তা চত্থবা ক্রাইমগী মতাংদা এলোকেট তৌরিবা বডজেটকী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

## 'এন এস য়ুগী লমগী ওর্নরসিপকী মতাংদা কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) গী লমগী ওর্নরসিপকী মতাংদা কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই। অদুগা অতোপ্পা অতৈনসু এন এস য়ুগী লম অসিগী মপুনি হায়না ক্লেইম তৌবগী রাইট লৈতে হায়না সেঞ্জম খুনৌ এন্দ সেঞ্জম চিরাং জোইন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এন রাজনেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শারিবা মফম অসি সেঞ্জম চিরাং অমদি সেঞ্জম খুনৌনা ষ্টেট দরবারদা লুপা ১৩ পীদুনা লৈখ্রবা অশেংবা লমনি। হায়রিবা এন এস য়ু শারিবা মফম অসি য়াওনা ষ্টেট দরবারদা চহী কয়া চঙনা কেস ওইনা শোক্লরবা মতুংদা অরোইবগী রায় ওইনা কুমজা ১৯২৮গী জন্যুৱারী ২০দা মতম অদুগী এস আই দনকনগী খূথাংদা কোন্সা খুলগী পেনা খোংবা খুমোন অমসুং অতোপ্পা খুল্লাকপা অনীনা লুপা ১৩দা য়োন্থোক্লম্বনি। মতম অদুদা থৎচীং এন্দ কটিং গ্রাস পর্পসতা লৈখিবনি।

মতম অদুদা ষ্টেট দরবারনা এন এস য়ু শারিবা মফম অসি খুঙ্গং অনীনা লুপা ১৩দা লৈবা হায়বসি মতম অদুগী লুপা ১৩ হায়বসি ইচম চম্বা পৈশা নত্তে। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু মুন্না খন্থরগা অচুম্বদা লেপ্পীনবা হায়জরি। সেঞ্জম চিরাং অমসুং সেঞ্জম খুনৌগী ময়াম্না ঐখোয়গী অশেংবা লমনি হায়রিবা অসিগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট অসি লৈবগী মরমনা হায়বনি। দোক্যুমেন্ট অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু কেবিনেট ফমদুনা পাট্টা তাবা শোয়দনা ওইগনি।

সেঞ্জম চিরাং অমসুং সেঞ্জম খুনৌগী মীয়াম্না লম অসি লৈহৌবগী দোক্যুমেন্ট অসি লৈরমদ্রবা অদুগা শুপ্নতগী লিজতা শীজিন্নবা ওইরম্লবদি খুঙ্গং অনীগী মীয়াম্না থৌনা ফনা ঐখোয়গী লমনি হায়বা ঙম্লম্লোই। অদুগা ষ্টেট দরবারগী ওর্দর অসি হৌজিক ফাওবা চৎনদুনা লৈগনি হায়না আর সী দি ও শর্ম্মা ১৯৬৩দা ফোঙখিবা দি মণিপুর কোর্ট পার্ট টু লাইরিক্তসু ময়েক শেংনা পল্লি। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু এন এস য়ু লমগী ওর্নরসিপকী মতাংদা কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কবুই কষ্টমরিগী থৌরমশিং অসি অতোপ্পা লাইনীং চৎপশিংনা খূৎ থিংজিনবা য়াদে : পৈকাই

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): কবুই কষ্টমরিগী থৌরমশিং অসি অতোপ্পা লাইনীং চৎপশিংনা খূৎ থিংজিনবা য়াদে হায়না কৈশামথোং কবুই পৈকাই (থৌবৈ) গী খুলবু গোলমৈ মজানি কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কবুই ফুরুপ্তা হেক পোকপদগী শিবা ফাওবা ইনাৎকী থৌরম (কষ্টম্মরি) পূম্নমক পাঙথোকপসি থৌবৈগী অহল লমনশিংগী মরু ওইবা মথৌনি। কবুই ইনাৎকী হরাও কুম্মৈ অসিসু কবুই খুলগী থৌবৈনা চপ চানা য়েংশিন্দুনা থৌরম পূম্নমক ঙসিসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুগা থৌবৈগী ৱারেপ পূম্নমকসিসু অতোপ্পা লূপনা খূৎ থিংজিনবা য়াদে। কবুই নাটকী কুম্মৈ চহী অমগী মনুংদা কয়ামরুম লৈ। মদুদি গান ঙাই, রিহ ঙাই, না-নু মৈ, লোং নাপকাওদৈ, গুদুই, পোকফা, কাইলোং বুকাওমৈ অসিনচিংবনি।

লুহোং খোংদোংবা, নুপী চেল্লকপা, মীশি মীনা অমদি ৱাথোক লান্থোক পূম্নমক থৌবৈগী মথৌনি, লাইনীং লাইচৎকী মথৌ নত্তে। অদুনা কবুইগী কষ্টমদা থৌবৈ (ভিলেজ ওথোরিটি) না পূম্নমকনি। অতোপ্পা কনানসু খূৎ থিংজিনবা য়াদে। অদুগা লাইরিক খরদা মণিপুর ভেল্লিদা কবুই খুল তারিবা অসি জেলিয়াংরোং ভিলেজ হায়না ফোঙবা লাইরিকশিং অসিসু য়ূম্ফম য়াওদবনি। কৈশামথোং খুলসিসু কবুই খুলনি, জেলিয়াংরোং খুল নত্তে। মসি মীয়াম্না খঙবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**ওন্নখিবা**

পাউচে অসিগী ফেব্রুৱারী ১১, ২০২১গী লমায় ৭তা য়াওবা **'ইলেক্সনগী লান'** হায়বা আর্টিকল অদুগী অইবগী মমিং **'এম এস মঙাং'** হায়খিবা অদু ***'বুয়াময়ূম জাকির হুসেন'*** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

*- এদিটর*

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 137/AS&SO/TBL, dt: 03-02-2021**

Waikhom Bijen Singh S/o (L) Yaima Singh of Athokpam Makha Leikai. ...*Applicant.*

-Vs-

(Late) Pattadar Waikhom Yaima Singh S/o (L) Mani Singh of Athokpam. ...*Opp.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 10/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩২- অথোকপম পাট্টা নং ১০৩৪, ১০৭৮, ৬৫০ (অরিবা), পাট্টা নং ৭৮৮ (অনৌবা), দাগ নং ১৭, ১৩৫৩, ২৩৩৯, এরিয়া ১.০০০০, ০.৩৯২৫, ০.১৬০০, ১.৫৫২৫ হেক্তর চাওবা তাওথবী, ফৌরেল, ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার ৱাইখোম য়াইমা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা লম অসিগী দাগ নং ১৩৫৩ অমসুং ২৩৩৯গী এরিয়া ০.৩৯২৫, ০.১৬০০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল অমসুং ইঙ্খোলগী লম অসি মথক্কী দংকারি (এপ্লিকান্ট) গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট তাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/8970/12

**IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No.114/SDC/M dt. 11/02/2021**

Basirzam Bibi W/o (Late) Md. Sameruddin of Kwakta W/No. 5

-Vs-

(Late) Jamaruddin Miya S/o (Late) Leiphon of Kwakta Khunou.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 11th Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯১ - ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৩১৮ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৫৬৩৫, এরিয়া ১.৫৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী মনুংদগী এরিয়া ০.৭৭ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি অসিগী মীংদা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6787/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 147/SDC/IW-L/2021**

1. Lourembam Sharatkumar Singh S/o (L) Iboton Singh of Uripok Takhellambam Leikai.
2. -do- Deben Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners

-Vrs-

Late Takhellambam (N) Lourembam (O) Ibenu Devi W/o (L) Ibot-on Singh of Uripok Takhellambam Leikai. -OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

10/2/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার তখেল্লম্বম নিংঙোল লৌরেম্বম ওংবী ইবেনু দেবী পতি ইবোতোন সিংহ সাং উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৪-লম্বালগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩৬/২৫২ দাগ নং ২৮৩ এরিয়া ২.৬০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/8520/9 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 154/SDC/IW-L/2021**

Leishangthem Baby Leima W/o (L) Chaoba Meitei of Koutruk Mayai Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Leishangthem Chaoba Singh S/o (L) Kambar Singh of Koutruk. -OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

10/2/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লৈশাংথেম চাওবা সিংহ পীতা মৃত কম্বর সিংহ সাং কৌটুককী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কৌটুককী অনৌবা পাট্টা নং ১৩৩/২৫৫ দাগ নং ৯৭/৪১৫ এরিয়া ০.২৭৯৯৬ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/8520/9 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mutation case no. 96/AS & SO 10/2/2021**

Sougaijam Tombinou Devi D/o Y. Rudar Singh of Kakching Turel Wangma.

-Vrs-

-do- Surchand Singh S/o (L) Bhimma Singh of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 10-02-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুল নং ৫৭-ককচীং খুল্লেন পাট্টা নং ৩৮/৩৬৮/pt(A) অনৌবা দাগ নং ৭৩২/pt(A) এরিয়া .০৮ ইংখোল অসিগী পাট্টাদার শৌগাইজম সুরচান্দ সিংহ পী: মৃ: ভীম্মা সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
Kakching

HL-B/6788/12

**IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No.113/SDC/M dt. 11/02/2021**

Ayekpam Dhruba Singh S/o (Late) Lalmani Singh of Uripok Tourang-bam Leikai.

-Vs-

(Late) Ayekpam Lalmani Singh S/o (Late) Angou Singh of Uripok Tourangbam Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 11th Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৪ - খা থিনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ৩১২ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৪০৩৫, এরিয়া ২.৮৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না মৃ: পাট্টাদারগী মচানা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6787/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Misc Case No. 21/SDC/IW-L/2021**

President, Ema Ibemma Laikhulembi Khubam Semgatpa Lup Lamdeng Khunou, Lamsang. -Petitioner

-Vrs-

1. Khaidem Gokulchand Singh S/o Sakmacha of Lamdeng Khunou
2. -do- Somendro S/o Mera of -do-
3. -do- Chaoba S/o Sakmacha of -do-
4. Chirom Kala S/o Nabadip of -do-
5. Loitongbam Nungshi Singh S/o (L) Tomcha Singh of -do-
6. Khaidem Taruba S/o Gokulchan of -do-
7. Loitongbam Bobi Singh S/o Tomcha of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

4/2/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি (1) Khaidem Gokulchand Singh S/o Sakmacha of Lamdeng Khunou, (2) -do- Somendro S/o Mera of -do-, (3) -do- Chaoba S/o Sakmacha of -do-, (4) Chirom Kala S/o Nabadip of -do-, (5) Loitongbam Nungshi S/o Tomcha Singh -do- (6) Khaidem Taruba S/o Gokulchand of -do- and (7) Loitongbam Bobi Singh S/o Tomcha of -do- গী মিংশিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী দাগ নং ২০১/৪১৭গী এরিয়া ১১.২৫ চাওবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপ্তি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/8969/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।